# লৌমীশিংগী খোঙজংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী পেনেল ওফ লোয়র্স শেম্বগী ৱাফম দেল্লী গভর্ণমেন্টনা য়াখিদ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফার্ম লোশিংগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা চখুরিবা প্রোটেষ্টকা মরী লৈনবা কেসশিং থেংননবা উকিলশিংগী পেনেল অমা শেম্নবা সিটি পুলিসনা হৌদোরকখিবা ৱাফম অর্ভিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা দেল্লী কেবিনেটনা ইরাই নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ৱারেপ অদু কেবিনেট মীফম অমদা লৌখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংনা হায়, লৌমীশিংগী খোঙজংগা মরী লৈনবা মেট্টরশিংদা দেল্লী গভর্ণমেন্টকী উকিলশিংবু পব্লিক প্রোজিক্যুটরশিং ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখি। কেবিনেটকী ৱারেপ অসি এপ্রুভেল লৌনবা লেফটনেন্ট গভর্ণর অনিল বাইজালদা থারগনি।

শগোলশেন নুমিৎতা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা বি জে পিনা রুল তৌবা সেন্টরবু ফার্ম লোশিংগা মরী লৈনবা কেসশিং পায়রিবা গভর্ণমেন্ট প্রোজিক্যুটরশিংবু দেল্লী পুলিসনা পীবা উকিলশিংনা শিন্নবা প্রেসর পী হায়না মরাল শীখি।

সিটিগী বোর্দরদা সেন্টরগী ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংগী মায়োক্তা কেসশিং পায়রিবা দেল্লী গভর্ণমেন্টকী উকিলশিংগী পেনেল লেফ্টনেন্ট গভর্ণর (এল জি) অনিল বাইজালনা রিজেক্ট তৌরক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর্স ওফিস (সী এম ও)কী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রবনি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী নোলেজ লৈবা ছোর্সশিংনা হায়, ইস্যু অসি রিপব্লিক দে মনুংদা লৌমীশিংনা নেসনল কেপিটেলদা ট্রেক্টর রেল্লি অমা পাঙথোকখিবদা রুল ওফ লো শীংনখিবা অমসুং লৈবাক্কী ফিৱাল ইকায় খুম্নখিদবা অমসুং ভাইওলেন্সকা মরী লৈনবা কেসশিং পায়হন্নবা স্পেসল পব্লিক প্রোজক্যুটরশিং হাপ্পবা হায়জখিবগা মরী লৈনৈ। মসি লৌমীশিংগী প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈনদে। তোঙানবা পান্দম অমদা ৱাফম অসি হৌদোরকপা ওইগনি হায়না গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংদুনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা, সী এম ওনা শগোলশেন নুমিত্তা হায়খিবদা এন্টি-ফার্ম লোশিংগী মায়োক্তা ঈরাং হৌরিবা এক্যুজ লৌমীশিংগী মায়োক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফোঙনা লেপ্পক্লে। এল জিনা দেল্লী গভর্ণমেন্টকী উকিলশিংবু কেস থেংনবা থিংখ্রে।

সেন্টরনা ফার্ম লোশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবা এক্যুজ লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা কেসশিং থেংনবদা ষ্টেটকী উকিলশিংবু মখোয়গী ওইবা উকিলশিংনা মহুৎ শিনবা য়ানবা (অর্ভিন্দ) কেজ্রিৱাল গভর্ণমেন্টতা প্রেসর পীরে।

লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা কেসশিংগী হীয়ারিং মীচঙ-মীখায় নাইদনা চখুবা য়ানবা সিটি গভর্ণমেন্টনা উকিলশিংগী পেনেল অমা শেম্লে। অদুম ওইনমক, কেসশিং অদুবু ইনভেষ্টিগেসন তৌরিবা দেল্লী পুলিসনা মখোয়গী ওইবা উকিলশিংগী পেনেল অমা শেম্বা পাম্মী। লো মিনিষ্টর সতেন্দর জেননা দেল্লী পুলিসকী প্রপোজেল অদু রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক এল জিনা দেল্লী পুলিসকী পেনেল অদুগী মতাংদা ৱারেপ লৌনবা দেল্লী গভর্ণমেন্টতা প্রেসর পীরে হায়না ঈম এ ওগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা রিপব্লিক ডে (জন্যুৱারী ২৬)গী ঈরাংগা মরী লৈননা কেস ৪০ হেন্না রেজিষ্টর তৌখিবনি।

# ইন্দিয়ন ফোটো জর্নেলিষ্ট দেনিশ সিদ্দিকি অফগানিষ্টানদা টালিবানগী এটেকতা শিরে




ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
পুলিটজর প্রাইজ ফংখ্রবা ইন্দিয়ন ফোটো জর্নেলিষ্ট দেনিশ সিদ্দিকি অফগানিষ্টানগী কান্দহার প্রোভিন্সতা অফগান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা য়াওরগা পাউ লৌবা চৎলিঙৈদা টালিবাননা চত্থরকখিবা এটেকতা শিরে হায়না ইৱাই নুমিত্তা অফগান অম্বেসেদর ফারিদ মামুন্দজায়না ফোঙদোরক্লি।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা মমুন্দজয়না হায়, মরুপ দেনিশ সিদ্দিকি কান্দহারদা লৈখিদবগী অৱাবা পাউনা ঐখোয়গী থম্মোয় শোকহল্লে। ইন্দিয়ন জর্নেলিষ্ট অমসুং পুলিটজর প্রাইজ ৱিন্নর অসি অফগান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা য়াওরগা থবক তৌখি। মহাক্না কাবুলদা চৎত্রিঙৈগী মমাঙ চয়োল অনীগী মমাঙদা ঐহাক্না মহাক্কা উনখি। ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি।

অতোপ্পা ত্বিট খরদা মামুন্দজয়না হায়খি, ইন্দিয়াদা রোটর্সকী চীফ ফোটোগ্রাফর ওইনা থবক তৌরিবা সিদ্দিকিনা ইরাই নুমিত্তা কান্দহারদা অফগান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা লৈরিঙৈদা টেররিষ্টশিংনা এটেক তৌখি। অফগানিষ্টানগী টোলো ন্যুজ চেন্নেলনা ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়, সিদ্দিকি কান্দহারগী স্পিন বোল্ডক দিষ্ট্রিক্টতা শিখিবনি। কান্দহারদা লৈবা অফগান স্পেসল ফোর্সেসকী কমান্দর সেদিক করজাইসু থৌদোক অদুদা শিখি। স্পিন বোল্ডককী পাকিষ্টানগা লোন্নবা বোর্দরদা অফগান সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টালিবান ফায়টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নখিবনি।

ওফিসল অসিনা হায়, অফগান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা স্পিন বোল্ডককী মরু ওইবা মার্কেট এরিয়া অমুক হন্না পায়শিন্নবা লান শোক্নরকপদা সিদ্দিকি অমসুং সিনিয়র অফগান ওফিসর অদু টালিবাননা কাপ্পকপদা শিখিবনি।

ইন্দিয়ান ফোটো জর্নেলিষ্ট সিদ্দিকি চয়োল অসিগী অঙনবদগী সাওদর্ন কান্দহার প্রোভিন্সতা অফগান স্পেসল ফোর্সশিং লোয়নরগা অফগান কমান্দোশিং অমসুং টালিবান ফায়টরশিংগী মরক্তা শোক্নবা লান রিপোর্ট তৌরকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অশোকপা পুলিসমেন অমা অফগান স্পেসল ফোর্সশিংনা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনখিবগী মিসন অমা সিদ্দিকিনা রিপোর্ট তৌখি। পুলিসমেন অদু প্রোভিন্স অসিগী কেপিটেল কান্দহার সিটিগী চীদাইদা টালিবানগী এক্সন্দা পুং ১৮ লেংবা য়াদনা লৈখি। মহাক্কী রিপোর্টতা অফগান ফোর্সশিংগী গাড়ীশিংদা রোকেট কাপশিল্লকপগী ইমজেশিং য়াওখি। মহাক্না তোংলিবা আর্মদ হম্ভী ভেহিকলদা রোকেট কাপশিল্লকখিবগী অতেনবা ভিদিও অমসু মহাক্না ত্বিটরদ থাগৎলকখি।

বাংলাদেশতা লৈরিবা রোহিংয়া রেফ্যুজীশিংগী কোভরেজগা মরী লৈননা পুলিটজর প্রাইজ ফংখিবা রোইটর্সকী টিম অমদা সিদ্দিকিসু য়াওখি। কুমজা ২০২০দা নোর্থ ইষ্ট দেল্লীদা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অমসুং চহী অসিগী অঙনবদা হৌখিবা শাথিরবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী অনীশুবা ৱেভকী ওইবা মহাক্কী ইমেজশিংগীদমক্তসু মহাকপু থাগৎনখি।

# কেস য়াম্বা ষ্টেটশিংনা ৩শুবা ৱেভ থিংনবা হেন্না কনবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি: পি এম

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইরাই নুমিত্তা টামিল নাদু, অন্ধ্র প্রদেশ, কর্নাটকা, উরিষা, মহারাষ্ট্রা অমসুং কেরলাগী চীফ মিনিষ্টরগা ইন্টরেক্ট তৌনদুনা কোভিদকী ফিভম খন্নখ্রে। মহারাষ্ট্রা অমসুং কেরলাদা কোভিদ কেসশিং হেনগৎলক্লিবসি তরাইনা লৌবা য়াদে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্টরেক্সন অদুদা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কেস মশিং ৱাংনা থেংনরিবা ষ্টেটশিংনা অহুমশুবা ৱেভ থিংনবা হেন্না কনবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি। কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ থিংনবা ইফেক্টিভ ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাই।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, টেষ্ট, ট্রেক, ত্রিট অমসুং ভেক্সিনদা মীৎয়েং থম্বা ষ্ট্রেটেজিক লোয়ননা ঐখোয়না শাথিরবা লাইচৎ অসিবু থেংনগদবনি। ঐখোয়না মাইক্রো-কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা স্পেসল এটেন্সন পীবা মথৌ তাই। পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংবা নৎত্রগা কেস মশিং ৱাংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মান্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি।

হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং অতৈ মথৌ তাবশিং অপগ্রেদ তৌনবা ষ্টেট খুদিংমক্তা ফন্দ পীরি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্টরেক্সন অদুদা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২৩,০০০ হেনবগী ইমজেন্সি কোভিদ রেস্পোন্স পেকেজ অমসু এপ্রুভ তৌরে।

# জে এন্দ কেদা লৈবা হায় সিক্যুরিটি জেলদগী মোবাইল ১৮ লৌখৎখ্রে

জম্মু, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
পাকিষ্টান অমসুং লোকল মিলিটেন্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হায় সিক্যুরিটি জেল অমগী মনুংদগী অচৌবা নেটৱর্ক অমা চল্লাইরে হায়বসি ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা খঙলকখিবগা লোয়ননা মখোয়না রেইদ চত্থবদা মোবাইল ফোন ১৮, ব্লুটুথ দিভাইসশিং, সিম কার্দ ১৩, চার্জর কয়া অমদি অতৈ পোৎশক কয়া জেল বরেকশিংদগী রিকোভর তৌখ্রে।

ইন্টলিজেন্স ছোর্সশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোরকপদা, জম্মুগী হায় সিক্যুরিটি কোর্ট বালরাল জেল মনুংদগী পাকিষ্টানি অমসুং কাশ্মিরি মিলিটেন্টশিংনা চল্লাইরম্বা নেটৱর্ক অমা থুগায়খ্রে। সী আই দি, পুলিস অমসুং সী আর পি এফকী কাওন্টর ইন্টলিজেন্স ৱিংনা চত্থখিবা রেইদশিংদা মোবাইল দ্রোনশিং য়াওনা দিভাইস কয়া ফাখি। পোৎশকশিং অদু শীজিন্নদুনা মিলিটেন্টশিংনা মপান্দা লৈরিবা মখোয়গী কলীগশিং পাউ ফাওনদুনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং পাঙথোকখি।

# দাম ইস্যুগী মতাংদা ওল পার্টি দেলিগেসননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর উনরগনি

চেন্নাই, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী মেম্বর ১৩না শাবা বি জে পিসু য়াওবা ওল পার্টি দেলিগেসননা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ন্যু দেল্লীদা য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্টর গন্দ্রে সিংহগা উনরগনি।

টামিল নাদুগী ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর অমসুং দি এম কেগী সিনিয়র লীদর এস দুরাইমুরুগননা লুচিংবা দেলিগেসন অদুনা য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্টরগা উনদুনা কর্নাটাকা গভর্ণমেন্টনা মেকেদাতুদা চেল্লিবা কাভেরি তুরেলদা দাম অমা শানবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংগী মতাংদা খঙহনগনি।

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা জুলাই ১২দা কৌখিবা ষ্টেট এসেমব্লিদা রিপ্রজেন্টেসন লৈবা পার্টি পুম্নমক্কী মীটিং অমদা কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা মেকেদাতুদা দাম শাবা লেপ্পবা তকশিনবা রিজোল্যুসন অমা মোত অমত্তা ওইনা পাস তৌখি।

টামিল নাদুগী ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর এম দুরাইমুরুগননা মমাঙদা য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱাফম অসি খঙহনখ্রবনি। মহাক নত্তবা দেলিগেসন অদুদা য়াওরিবা অতৈ রিপ্রজেন্টেটিভশিংদি- আর এস ভারতি (দি এম কে), দি জয়াকুমার (এ আই এ দি এম কে), জি কেমনি (পি এম কে), আর সী পোল কনাকরাজ (বি জে পি), এম ঐচ জৱাহিরুল্লাহ (এম এম কে), টি ভেলমুরুগন (টি ভি কে), এ কে পি চিনারাজ (কে এন এম- দি কে), তিরুমাভালভন (ভি সী কে), ভাইকো (এম দি এম কে), এন পেরিয়াসামি (সী পি আই), কে বালাকৃষ্ণন (সী পি আই-এম) অমসুং এম জগন মুর্থি (পুরুটচি ভারাতম)নি।

# শ্রীনগরদা সিক্যুরিটিগা খূৎ থোক্নবদা লাস্কর-ঈ-টাইবাগী টেররিষ্ট অনী হাৎখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
ইরাই নুমিত্তা শ্রীনগরগী অলমদর কোলোনিদা খূৎ থোক্নবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি)গী টেররিষ্ট অনী হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়, শ্রীনগরগী দামনগর এরিয়াগী মনুং চনবা অলমদর কোলোনিদা টেররিষ্টশিং ওপরেট তৌরে হায়বা শ্রীনগর পুলিসনা পীরকপা অকক্নবা পাউদা য়ূম্ফম ওইরগা পুলিস অমসুং সী আর পি এফনা এরিয়া অদুদা জোইন্ট কোর্দন অমসুং সার্চ ওপরেসন অমা পাঙথোকখি।

মফম অদুদা টেররিষ্টশিং লৈরে হায়বা চপ চানা খঙবদগী থী হুম্বগী ওপরেসন অদুদা মখোয়দা সরেন্দর তৌনবগী খুদোংচাবা হঞ্জিন হঞ্জিন পীখি। অদুমওইনমক, মখোয়না জোইন্ট সর্চ পার্টি অদুদা লেপ্তুনা নোংমৈ কাপ্পকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু খূৎ হনখিবগা লোয়ননা অহিং নোংয়াই মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পখি।

নোংমৈ কাপ্পবদুদা অথিংবা থমখ্রবা টেরর আউটফিট লাস্কর-ঈ-টাইবাগী টেররিষ্ট অনী হাৎখি অমসুং মখোয়গী হকচাংশিংদু মফম অদুদগী লৌখৎখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎ থোক্নবদা হাৎখিবা টেররিষ্টশিংদু মশক খঙবা ঙম্লে। মখোয়গী মমিংশিংদি ইরফান অহম্মদ সোফি অমসুং বিলাল অহম্মদ ভাত কৌই। মখোয়নীমক শ্রীনগরগী নাতি পোরাদগীনি অমসুং মখোয় দিসেম্বর, ২০২০দগী এক্টিভ ওইরকখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, হন্দক্তা টেররিষ্ট আওটফিট টি আর এফনা সোসল মিদিয়াগী খূত্থাংদা টেররিষ্ট ইরফান অমসুং বিলাল টি আর এফ থাদোক্লগা আই এস জে কে য়াওখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি।

পুলিস রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না, জোইন্ট ওপরেসনদা হাৎখিবা টেররিষ্ট অনীমক পুলিস/সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবা অমসুং সিভিলিয়নশিং ওৎ-নৈবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা টেরর ক্রাইমশিংদা চেন্নবা গ্রুপশিংগা মরী লৈনৈ। টেরোরিষ্ট অনী অসিনা পুলিস পর্সনলশিং, এস এফ অমসুং সিভিলিয়নশিংদা এটেক কয়া পরিং নাইনা চত্থখি। মখোয়গী এটেকশিংদুগী মনুংদা কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ১৪দা নাতিপোরাদা পি দি পিগী লীদরগী পি এস ও হাৎখিবা, কুমজা ২০২১গী মার্চ ২৫দা লাৱেপোরাদা সী আর পি এফকী আর ও পিদা এটেক তৌবদা সী আর পি এফ জৱান অনী শিখিবা থৌদোকশিং য়াওরি।

চহী অসিগী জুন ১৭তা মখোয়না ছুতি লৌদুনা লৈবা পুলিস ওফিসল কন্সটেবল জাভিদ অহম্মদ সাইদপোরাদা লৈবা ময়ূম মনাক্তা এটেক তৌদুনা হাৎখি। পুলিসকী মতুং ইন্না মখোয় অনীমক শ্রীনগর অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা নহারোলশিংবু মোটিভেসন পীবা অমসুং রিক্রুট তৌবদসু চেন্নখি।

# কুমজা ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা রাম টেম্পলদা লাই খুরুম্বা য়াহল্লগনি

লক্ষ্ণৌ, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
অয়োধ্যাগী ‘ইকো-ফ্রেন্দলি’ রাম টেম্পলগী গেটশিং কুমজা ২০২৩ লোইবা ফাওবগী মনুংদা হাংদুনা দিভোটীশিং লাই খুরুমজবা য়াহল্লগনি।

রাম জন্মভুমি থীর্থ ক্ষেত্র ট্রষ্টনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবদা টেম্পল অদু ইন্দো-ফ্রেন্দলি থিম অমদা শাগনি অমসুং একর ৭০ ওইবা টেম্পল প্রেমিসেজ শাবগী থবক কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনগনি।

ৱারেপ অসি ইঞ্জিনীয়রশিং অমসুং আর্কিটেক্টশিংসু য়াওখিবা শ্রী রাম জন্মভুমি থীর্থ ক্ষেত্র ট্রষ্টকী মীটিংদা লৌখিবনি। মীটিং অদু রাম মন্দির ট্রষ্টকী চীফ নৃপেন্দ্র মিশ্রানা প্রিসাইদ তৌখি। মহাক নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা অয়োধ্যাদা লাকপনি।

মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা, রাম মন্দির ট্রষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরি চম্পত রাইনা হায়, কুমজা ২০২৩ লোইবা ফাওবগী মনুংদা রাম টেম্পল অসি হাংদুনা দিভোটীশিংবু রাম লাল্লা খুরুম্বা য়াহল্লগনি। একর ৭০গী তেম্পল কমপ্লেক্স শাবগী থবক ২০২৫ ফাওবদা লোইশিনগনি।

রাম টেম্পলদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বগী প্রোভিজনশিংসু য়াওগনি। অকোয়বা মফমশিং ঈংহন্নবা হৌজিক টেম্পল প্রেমিসেজ মনুংদা হৌরিবা উ পাম্বীশিং কায়হন্দনা থমগনি।

# ঈ-ওক্সনদা ক্রোর ২০০০ তানখ্রে

হায়দরবাদ, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
টেলঙ্গনা গভর্ণমেন্টনা হায়দরবাদকী কোকাপেট এরিয়াদা লৈবা লম একর ৪৯.৯৪৯ ওক্সন তৌদুনা লুপা ক্রোর ২,০০০ হেনবা রেভিন্যু তানবা ঙমখ্রে।

ঈ-ওক্সনদুদা খ্বাইদগী ৱাংবা মমলদি একরদা লুপা ক্রোর ৬০ শিখিবা অসিনা ওইখি। হায়দরবাদ মেট্রোপোলিতান দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (ঐচ এম দি এ)না দিভলপ তৌখিবা প্লোটশিংগী ঈ-ওক্সন অদু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইন্টরপ্রাইজ অমা ওইরিবা এম এস টি সী লিমিটেদনা কন্দক্ট তৌখি।

ঐচ এম দি এনা একর অমগী অপসেট প্রাইস লুপা ক্রোর ২৫ ওইহনখি। ঈ-ওক্সন অদুদা একর ১.৬৫ পাক-চাওবা প্লোট অমা একরদা লুপা ক্রোর ৬০.২গী চাংদা শিৎতুনা খ্বাইদগী ৱাংবা মমল ওইখি। রাজাপুস্পা রিএল্টি এল এল পি অসিনা মায় পাকপা বিদ্দর ওইখি।

ওক্সন অদুদা একর অমদা তানখিবা খ্বাইদগী তাবা রেভিন্যু অসি একরদা লুপা ক্রোর ৩১.২ শিৎখিবা অসিনা ওইখি। লম অদু পার্সেল নিপাল থোক্না ওক্সন তৌখি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 61,90,000+8,010 | 59,50,000+7,391 | 1,27,000+170 |
| Kerala | 31,20,000+13,773 | 29,80,000+12,370 | 15,025+87 |
| Karnataka | 28,80,000+1,977 | 28,10,000+3,188 | 36,037+48 |
| Tamil Nadu | 25,30,000+2,405 | 24,70,000+3,006 | 33,606+49 |
| Andhra Pradesh | 19,30,000+2,526 | 18,90,000+2,933 | 13,081+24 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+70 | 16,80,000+98 | 22,705+1 |
| West Bengal | 15,20,000+891 | 14,80,000+1,089 | 17,970+12 |
| Delhi | 14,40,000+72 | 14,10,000+88 | 25,022+1 |
| Chhattisgarh | 9,99,000+333 | 9,82,000+342 | 13,489+3 |
| Rajasthan | 9,53,000+33 | 9,44,000+69 | 8,947 |
| Odisha | 9,48,000+2,110 | 9,23,000+2,563 | 4,861+66 |
| Gujarat | 8,24,000+38 | 8,14,000+90 | 10,074 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+20 | 7,81,000+36 | 10,510+2 |
| Haryana | 7,69,000+34 | 7,59,000+43 | 9,578+7 |
| Bihar | 7,24,000+125 | 7,13,000+110 | 9,625+4 |
| Telangana | 6,35,000+710 | 6,21,000+808 | 3,747+4 |
| Punjab | 5,98,000+98 | 5,80,000+147 | 16,212+5 |
| Assam | 5,42,000+1,992 | 5,17,000+2,498 | 4,937+27 |
| Jharkhand | 3,47,000+54 | 3,41,000+62 | 5,120 |
| Uttarakhand | 3,41,000+55 | 3,33,000+72 | 7,354+2 |
| Himachal Pradesh | 2,04,000+136 | 1,99,000+174 | 3,502+3 |
| Goa | 1,69,000+126 | 1,64,000+134 | 3,102+1 |
| Puducherry | 1,19,000+103 | 1,16,000+122 | 1,773+1 |
| **Manipur** | **81,560+1,039** | **71,662+677** | **1,340+14** |
| Tripura | 72,860+495 | 67,455+435 | 722+1 |
| Chandigarh | 61,856+5 | 60,980+10 | 809 |
| Meghalaya | 56,052+412 | 51,132+338 | 926+5 |
| Arunachal Pradesh | 41,646+367 | 37,272+369 | 197+2 |
| Nagaland | 26,381+132 | 24,815+99 | 516 |
| Mizoram | 26,207+456 | 20,478+216 | 117+1 |
| Sikkim | 22,929+137 | 20,289+93 | 318+1 |
| Ladakh | 20,234+3 | 19,920+8 | 206 |
| Lakshadweep | 10,043+7 | 9,905+14 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,501+2 | 7,359 | 129 |

NICHOLS-ROY BIBLE COLLEGE
ADMISSION
NOW OPEN
FOR B. TH & M. DIV (ATA)
FOR THE ACADEMIC SESSION 2021-22
ENROLL NOW
FOR MORE INFORMATON CONTACT:
PRINCIPAL: +91 9863100958
ACADEMIC DEAN: +91 7005487924
OR
VISIT THE COLLEGE WEBSITE AT WWW.NICHOLSROYBIBLECOLLEGE.ORG
HL-P/6859/8,11,14,17,20,23

## ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯚꯦꯇꯔꯤꯅꯔꯤ ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯜ
## MANIPUR STATE VETERINARY COUNCIL
### থাগৎপা ফোঙদোকপা



No.MSVC/31/2009-Vety.: মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইরিবা ডা: চবুংবম নন্দকিশ্বর সিংহনা মণিপুর সরকারগী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী দাইরেক্টর ওইনা হৌখিবা তাং ৮/৭/২০২১ ইংদগী ফম পায়রকপদা কাউন্সিলগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকচবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মহাক্না দিপার্টমেন্ট অসিগী অমদি মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সিলগী চাওখৎ থৌরাং কয়া চোকথবা লৈতনা পায়খৎপীরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি।

থাগৎচরিবা : **পোৎশংবম খম্বা সিংহ**
রেজিষ্ট্রার
মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সিল, ইম্ফাল।
HL-P/6323/17

## [illegible]/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্বুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/7035/15/7-15/9

OFFICE OF THE
STATE HEALTH SOCIETY, MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 14th July, 2021

**No.738/01/NHM-21(HR):-** The date of interview/ viva-voce for the engagement of 30 Medical Officers and 140 Staff Nurses on daily honorarium/wages basis vide order of even no dated 2nd July, 2021 will be held at Directorate of Health Services on the following dates as mentioned against the receipt/serial no of the respective candidates. The eligible intending candidates are informed to report at the Directorate of Health Services on the day of interview along with original certificates for registration at the specified time, failing which no claim will be entertained later.

| Sl. No. | Name of Posts | Registration | Reciept/Serial No | Date of interview |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Staff Nurse | 10:AM to 1:00PM | 1201-1260 | 16th July, 2021 |
| | | 1:30 PM to 5:00 PM | 1261-1320 | |
| | | 10:AM to 1:00PM | 1321-1380 | 17th July, 2021 |
| | | 1:30 PM to 5:00 PM | 1381-1440 | |
| | | 10:AM to 1:00PM | 1441-1500 | 19th July, 2021 |
| | | 1:30 PM to 5:00 PM | 1501-1560 | |
| | | 10:AM to 1:00PM | 1561-1620 | 20th July, 2021 |
| | | 1:30 PM to 5:00 PM | 1621-1680 | |
| | | 10:AM to 1:00PM | 1681-1743 | 22nd July, 2021 |
| 2 | Medical Officers | 1:30 PM to 5:00 PM | 1001-1223 | |

Sd/- **N. Shyamjai Singh**
State Mission Director
State Health Society, Manipur

HL-P/7036/15,16,17